# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 26-09-2025)**

**পুলিস (এল)ঃ** সেক্যুরিতি ফোর্সনা রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা থিবা হুম্বগী থবক চথ্খরি। মদুদা খুৎশু খুৎলায় য়াওনা য়াল্লবা নিশাগী পোৎলমশিং ফাগৎলে।

পুলিসকী পাউনা হায়-থৌবাল জিলাগী সলুংফম রিংপম ভিলেজকা নকবা সলুংফম মমাং লৈকাই চীংখোংদগী ঙরাং খুৎশু খুৎলায় কয়া ফাগৎলে। ফাগৎলবা খুৎলাশিংগী মনুংদা-মেগজিনগা কোন্নবা এস.এল.আর. রাইফল অমা, মেগজিন য়াওবা করবাইন অমা, সিঙ্গল বেরেল রাইফল অনি, হেন্দ গ্রেনেদ অনি, নোংমৈ মরু কয়ামরুম য়াওরি।

মীয়ামদগী নম-হাদুনা শেল খোমগৎপদা চেন্নবনি হায়বা কে.সি.পি. (পি.ডব্লিয়ু.জি) গী মীওই অমা ঙরাং ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী খুরাই চাইরেনখোঙদগী ফাখি। মঙোন্দগী মোবাইল ফোন য়াওনা অতৈ পোৎলম কয়া ফাগৎখি।

অমরোমদা, সেক্যুরিতি ফোর্সনা দ্রগ লল্লোনবশিংগী মথক্তসু লেপ্তুনা ওপরেসন চথ্খরি। সেক্যুরিতি ফোর্সনা সিভিল সোসাইতি ওর্গনাইজেসনগী মেম্বরশিংগা খুৎশমরগা নিশাগী পোৎলমশিং য়োনবা মীওই অমা ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী খুরাই সাজোর লৈকাইদগী ঙরাং ফাখি। ফারবা মীওই অসিদগী ত্রমাদোল টেব্লেৎ লিশিং ২৩, ৩০৪, নিত্রপাল টেব্লেৎ লিশিং ১,৩৯০, বেরকোরদেক্স সিরফ লিশিং ১,৩৮৩ ফাগৎলে।

মনিপুর পুলিসনা হৌখিবা য়ুমশকৈশা নুমিৎতা ককচিং জিলাগী নুংঙু লমখাই এরিয়াদা গাড়ি অমদা পুদুনা লাকপা য়ুঙৌ লিটর ৪০০ ফাগৎলবা মতুংদা মাঙহনখ্রে হায়রি।

মনিপুর পুলিসনা লম্বীদা ত্রাফিক্কী নিয়ম থুগায়বশিংগী মথক্তা চলান ৩৮ না

কত্তুনা লুপা লিশিং ৮০ রোম খোমগৎপা ঙমখি।

**বিষ্ণুপুর (এল)ঃ** প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা ঙরাং ন্যু দিল্লিগী ভারত মন্দপমদা হৌদোকখিবা মরিশুবা ৱার্ল্ড ফুদ ইন্দিয়া ২০২৫ দা বিষ্ণুপুর জিলাগী প্রাইম মিনিস্তর ফোরমেলাইজেসন ওফ মাইক্রো ফুদ প্রোসেসিং ইন্টরপ্রোইজেস (পি.এম.এফ.এম.ই) স্কিমগী বিনিফিসরিশিংসু ভিদিও কনফরেন্সিংগী খুথাংদা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা বিষ্ণুপুর জিলাগী দি.সি. পুজা এলাংবম য়াওনা এ.দি.এম, দিষ্ট্রিক্ট লেবেল ওফিসারশিং, এম.এস.আর.এল.এমগী ওফিসিএলশিং শরুক য়াখি।

প্রধান মন্ত্রিনা ঙরাং হৌদোকখিবা থৌরম অদুদা মাইক্রো ফুদ প্রোসেসিং ইন্টরপ্রোইজেস লিশিং ২৬ লোমগী ক্রেদিট লিঙ্ক সবসিদি ওইনা পুন্না লুপা কোতি লিশিং ২,৫১৮ রোম য়েন্থোকখি। থৌরাং অসি লৈবাক অসিদা লৈরিবা ফুদ প্রোসেসিং ইন্দষ্ট্রিশিং অমদি মাইক্রো ইন্টরপ্রোইজেসশিং মপাঙ্গল কনখৎহন্নবনি।

**মেটঃ** ইন্দিয়া মেট দিপার্টমেন্ট ইম্ফাল সেন্টরনা হায়রি-তমেংলোং, সেনাপতি, উখ্রুল, কামজোং, জিরিবাম অমসুং তেংনৌপলদা ঙসি অখাক অরাওগা লোয়ননা নোং চুরবা য়াই।

হয়েংনা জিরিবাম, নোনে, বিষ্ণুপুর, থৌবাল, ককচিং, তেংনৌপল, চান্দেল, চুরাচান্দপুর অমসুং ফেরজোল জিলাশিংদা ফিভমশিং অসি মায়োকরবা য়াই।

**মীলাল (এল)ঃ** ৱাখল্লোন মান্নবা অপুনবা ৱামা কংলৈপাকনা শিনদুনা মনিপুরি লোল-মীতৈ লোলনা ৮ শুবা সেদ্যুলদা চনখিবা নুমিৎকা মরী লৈননা কাউরুরে ঐখোয়না মহৌশা লাইরেম্বীবু হায়বা হীরমদা পাঙথোকখিবা লমদম অসিগী অইবশিংগী শৈরেং ইবা চাংদমবদা মকোক মথং তাখ্রবশিংদা ঙরাং ৱামাগী

কুমওন থৌরমগা মরী লৈননা হয়িং খোঙবানদ লৈবা লাইনিংথৌ সনামহি টেম্পল বোর্ডতা পাঙথোকপা থৌরমদা মনা মথুম য়েন্থোকখ্রে।

**অসাম ঃ** কাজিরঙ্গ নেসনেল পার্ক অমসুং টাইগর রিজার্ভ ঙসিদগী হাংদোক্লগনি হায়না অসামগী মুখ্য মন্ত্রি হিমন্ত বিশ্বা শর্ম্মনা লাউথোকখ্রে।

ঙসি অহৌবা নুমিৎতা পার্ক অসিগী বাগোরি রেঞ্জ হাংদোক্কনি। কোহারা রেঞ্জনা ওক্তোবরগী অনিসুবা চয়োলদগী হাংদোক্লবা য়াই অদুগা ইলিফেন্ট সফারিনা নবেম্বর অমদগী হাংদোকপা হৌগনি।

**এৱার্ডঃ** নেসনেল জিও সাইন্স এৱার্ডস ২০২৪ ঙসি ন্যু দিল্লিদা য়েন্থোক্লগনি।

রাস্ত্রপতি ভবন কলচরেল সেন্টরদা পাঙথোকপা লেমজনিংঙাই ওইবা এৱার্ড অসি রাস্ত্রপদি-দ্রৌপদি মুরমুনা য়েন্থোক্কনি।

নেসনেল জিও সাইন্স এৱার্ড অসি জিও সাইন্সকী লমদা পীবা খ্বাইদগী লীরবা অমসুং খ্বাইদগী লেমজনিংঙাই ওইবা মনানি। মনা অসি পীবগী পান্দমদি, জিও সাইন্সকী তোঙান তোঙানবা লমদা শিংথানিংঙাই ওইনা থবক তৌবা অমসুং মায় পাক্লবা মীওই অমদি টিমশিংবু ইকায় খুমবনি।

**পিএমঃ** প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা বিহারদা ঙসি ভিদিও কনফরেন্সিংগী খুত্থাংদা বিহারস মুখ্য মন্ত্রি মাহিলা রোজগার য়োজনা হৌদোক্কনি।

থৌরম অসিদা প্রধান মন্ত্রিনা রাজ্য অসিগী নুপী লাখ ৭৫ গী বেঙ্ক একাউন্টতা হকথেংননা লুপা লিশিং তরা-তরা হাপচিনগনি। প্রধান মন্ত্রি ওফিসকী পাউনা হায়-থৌরাং অসি বিহার সরকারনা রাজ্য অদুগী নুপীশিংবু অত্মা নিরভর ওইহন্নবা অমদি নুপীদা শক্তি পীবা য়াওনা মখোয়গী পুন্সি মহিংদা ফগৎহন্নবা লৌখৎলকপা থৌরাংনি। স্কিম অসিদা শেলগী তেংবাং পীবা, নুপী বিনিফিসরিশিংদা তোঙান তোঙানবা মখলগী ত্রেন্নিং পীবা অমদি সেল্ফ হেল্প

গ্রুপশিং শেমগৎতুনা নুপীশিংগী মশাগী য়াইফ থৌরাংশিং লৌখৎনবনি।

**ফুদঃ** প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি-মালেমগী মরুওইনা ফুদ সেক্তরদা শেল থাদবা মীওইশিংনা ভারত্তা শেল থাদবদা কান্নবা ফংগনি হায়বগী থাজবা থমলি।

ন্যু দিল্লিদা ঙরাং পাঙথোকপা ৱার্ল্ড ফুদ ইন্দিয়া প্রোগ্রাম হৌদোকপগী থৌরমদা ৱা ঙাংবদা শ্রী মোদিনা হায়-২১ শুবা চহি চা অসিদা মালেমদা শিংনবশিং লাকপা মতমদা ভারতনা লেপ্পা লৈতনা অঙন্বা থৌদাং লৌদুনা লাক্লি। গ্লোবেল ফুদ সেকুর‍্যিতিদা ভারতনা লেপ্পা লৈতনা মতেং পাংদুনা লাক্লি।

**নেপালঃ** নেপালগী মরক্কী সরকারগী প্রধান মন্ত্রি-সুসিলা কারকিনা হায়রি-জেন-জে খোঙজং মতুংদা শেমখিবা সরকার অসিনা লৈবাক অসিদা অফবা লৈঙাক সাসন পুরকবগীদমক মীখল পাঙথোকপদা নিয়ম চুমা অমদি অকি অখঙ লৈতনা পাঙথোকবা কন্না হোৎনরি।

জাতিগী মীয়ামদা ঙরাং অহানবা ওইনা পীখিবা মহাক্কী ৱারোলদা শ্রীমতি কারকিনা হায়-সরকারগী কর্ম্মচারিশিংনা মশাগী মথৌ তৌবদা পুকচেল শেংনা তৌনবা অমদি নহাশিংগী ইহুল খঙনা থবক তৌনবা হোৎনগদবনি। লৈবাক অসিগী মীখল মথং চহিগী মার্চ ৫ দা পাঙথোকবা শেম শারি। মীখল অসি নিয়ম চুমা অমসুং অকি অখঙ য়াওদনা পাঙথোকবা মহাক্কী সরকারনা অঙন্বা থাক্তা হোৎনগনি। মহাকা হায়-হন্দক্কী খোঙজং অদুদা অমাং অতা থোকখ্রবা প্রধান মন্ত্রিগী ওফিস য়াওনা সরকারগী লোইশঙশিং নৌনা শেমগৎ শাগৎনবগী থৌরাং অমা তৌরি। মীয়ামগী ৱাকৎ হকথেংননা তাননবা প্রধান মন্ত্রিগী ওফিস য়াওনা ওফিস খুদিংমক্তা অখন্নবা টেলিফোন নম্বর অমা থমলে।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

ঙসি ফোংবা পাউচেশিংগী হেদলাইনশিং অমগা অমগা ইমান মান্নদ্রে। থাদৌশিংনা ইম্ফালদা লাকপদা চিংননিংঙাই ওইদে, মনিপুরদা ইং তপ্পা লাক্লগনি হায়না থাদৌ লুচিংবা মাইকেল লমজাথাং হাওকিপনা ফোংদোকখিবা ৱাফম নহারোলগী থৌদাংদা অহানবা হেদলাইন তৌরি। দিস্র্ব এরিয়া লাউথোক্তুনা মনিপুরগী তম্পাক্কী মফমশিংদসু অফস্পা থমজিনগদবনি হায়না কোটুনা ফোংদোকখিবা ৱাফম পাউচে অসিদা অনিশুবা হেদলাইন তৌরে।

সনা লৈবাক্তা-লম লৈবা য়োনবগী থোকখিবা নোটিফিকেসন কেন্সেল তৌগদবনি-য়ু.এন.সি হায়বা পাউ অহানবা হেদলাইন তৌরি।

সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরি এদিসনদা লুপ মঙানা অনা লায়েংগী থবকশিং য়েংশিনদৌরি হায়বা পাউ অহানবা হেদলাইন তৌরি। ইরিলবুংদা নুমিৎ নিনিগী রুরেল রুটস মার্কেট হৌদোকখিবগী পাউ অমসু পাউচে অসিগী অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

পি.এল.এগী ৪৭ শুবা মপোক কুমওন থৌরম পাঙথোকখ্রে হায়বা পাউ অমা হুইয়েন লানপাউগী অহানবা লামাইদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি। পাউ অসি পাউচে য়াম্বদা তোঙান তোঙানবা মওংদা হেদলাইন পীদুনা ফোংনরি।

লাইসেন্স য়াওদনা ফারমাসি ফম্বা অমসুং এম.আর.পিদগী হেনগৎনা য়োনবশিংগী মথক্তা এক্সন লৌরগনি-হেলথ দিরেক্তর হায়বা পাউ অমসু পাউচে অসিগী অহানবা লামাইদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

পিপলস ক্রোনিকলদা-খুৎলায় পায়বা লুপশিংনা রিমসতা থোকখিবা মীশি মীনাগী থৌদোকশিং থিজিনগদৌরি হায়বা পাউ অহানবা হেদলাইন তৌরি।

চুরাচান্দপুর থৌদোক্কা মরী লৈননা ফ্লেগ কোদ ঙাকবা মিনিষ্ট্রিনা অকনবা ৱাফম থম্লকখ্রে হায়বা পাউ পোকফমদা অহানবা হেদলাইন তৌরি। অসাম পুলিসনা মনিপুরদগী পুরকপা লুপা কোতি ৯০ গী দ্রগ ফারে হায়বা পাউ অমসু

মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংবা থেংনরে।

মনিপুরদা থোক্লিবা ইশুশিং পোলিটিকেল সোলুসন পুরকপা তঙাইফদে হায়না ভেটরান পোলিটিসিয়ান-ওক্রম জয়না ফোংদোকখিবা ৱাফম সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস এদিসনদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

হিলস হোর্ন বিল এক্সপ্রেসতা-লেন্দ রিছোর্স দিপার্টমেন্টনা থোকখিবা নোটিশ কেন্সেল তৌনবা য়ু.এন.সিনা রাজ্যপালদা তকশিনখ্রে হায়বা পাউ অহানবা হেদলাইন তৌরি। লমলক্কী শা-উচেকশিং কন্ননবা সেনাপতি ফোরেষ্ট দিভিজননা লাউদ স্পিকর শিজিন্নদুনা কেম্পেইন চথ্খরি হায়বা পাউ অমা পাউচে অসিদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

গানফিয়ু মেলদা-অসাম রাইফলসতা এম্বুস তৌবদা চেন্নবা মীওই ফাখিবদা কোটুনা নুংঙাইবা ফোংদোরক্লি হায়বা পাউ অহানবা হেদলাইন তৌরি।